# আর্টিকল ৩৭০, নখোয়না ঙম্লবদি অমুক ওন্থোকউ হায়না ওপোজিসনদা নরেন্দ্রা মোদিনা শীংনখ্রে




**মুম্বাই, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৌখিবা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা মখোয়গী ৱাকৎশিংগী মতাংদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করিগুম্বা নখোয়না ঙম্লবদি মদু অমুক ওন্থোকউ হায়না ওপোজিসনদা শীংনখ্রে।

কনাগুম্বা অমনা মদু অমুক হন্না পুরক্লবগী থৌনা লৈ হায়না নখোয়না খনব্রা? মখোয়না মদু তৌরবদি মখোয়গী পোলিটিকেলগী কেরিয়র হিংখিগদ্র? হায়না ঙসি মহারাষ্ট্রদা এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেন তৌরিবা রাহুল গান্ধীদা অতন্নবা শীংনবা অমা ওইনা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

থা অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অদুগী কেম্পেনদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎখিবা অমসুং মদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খাদোক্লবগী খোঙথাং অদু বি জে পিনা কেম্পনগী মরুওইবা থিম অমা ওইনা লৌখৎখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়াদা পীরকখি অমসুং মদুগী ষ্টেটস হোংদোক্লবা নৎত্রগা মদুবু মচেৎ থুগাইনবা নৎত্রগা মদুগী শরুক অমবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী থাক্তা হন্থহন্নবগী গভর্ণমেন্টকী শক্তি লৈতে হায়রদুনা আগষ্টতা পার্লিয়ামেন্টতা লাওথোকখিবা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা কন্না লেপখিবনি।

করিগুম্বা নখোয়না নথৌনা লৈরবদি ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌ অমসুং থোরকউ হায়না মহারাষ্ট্রগী জলগাওদা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি হায়খি। ঐহাক্না ওপোজিসনবু শীংনরি। করিগুম্বা নখোয়না থৌনা অদু লৈরবদি ঐখোয়না মুখৎখিবা আর্টিকল ৩৭০ অদু অমুক হন্না পুরক্লবা নখোয়গী মেনিফেষ্টোদা হাপ্লবা ঐনা শীংনরি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা থাদা গভর্ণমেন্টনা মদুগী ৱারেপ অদু করি মরমগী পাংথোকখিবনো হায়বগী শন্দোক্লা তাক্লবা মীয়ামগী মীফম অমদা অমিত শাহনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুবু পাকিস্টান – ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) শেমখিবগীদমক মরান শীখি অমসুং মদু ১৯৪৮তা মতম চাদবা সিজফয়ার লাওথোকখিবা অদুগী মরমননি হায়খি।

আর্টিকল ৩৭০ মুখৎতুনা নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা নেসনেলিজম পাংথোক্লবা মরম অমা পীরে হায়না মহারাষ্ট্রগী বীদতা মীফম অমদা অমিত শাহনা হায়খি।

কাশ্মিরদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা অদুগুম্বা খোঙথাং অমা কোংগ্রেসনা থাঙবা ঙন্নবগী শক্তি লৈখিদে হায়না বি জে পিনা হন্না–হন্না হায়খি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৌকৎখিবা অদুগুম্বা খোঙথাং অদুবু নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী অনীশুবা টার্মগী অচৌবা থবকশিংগী মনূংদা অমা ওইনা পুথোকখি।

---

# পাকিস্টাননা ফিফ্‌ট জেনরেসন ফাইটর জেট অমা পুথোক্লবগী থবক্তা খূৎমাঙ চাওনা চংশিনখ্রে

**ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** পাকিস্টান মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স প্রদক্সন (এন ও দি পি) এয়ারবুক ২০১৭–২০১৮গী মতুং ইন্না পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকীদমক ফিফট–জেনরেসন ফাইটর এয়ার ক্রাফ (এফ জি এফ এ) প্রোগ্রামগীদমক কন্সেপচুয়েল দিজাইন ফেজ সাইকল ৪গী অহানবা অদু এভিয়েসন রিছার্স, ইন্নোভেসন এন্দ দিভলপমেন্ট (এ ভি আর আই দি) সেক্রেটরিয়েটনা মপূং ফানা লোয়শিনখ্রে।

এয়ারবুক অসিগী মতুং ইন্না কন্সেপচুয়েল দিজাইন ফেজগী অহানবা সাইকল অদু শেম শাবা অয়াম্বা লোয়শিল্লে। পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকী শীংননিঙাই ওইরবা মথৌ তাবশিংদা য়ুমফম ওইরগা অহানবা কনফিগুরেসন অদু দিজাইন তৌবনি।

অহানবা কনফিগুরেসন অসি মখা তানা সাইকল ৩ অমুক চত্থখিগনি।

পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকী ফিফট জেনরেসন ফাইটর এয়ারক্রাফ এফ জি এফ এ প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিগী দিফেন্স লোয়ননা সিভিলিয়ান অমসুং কম্মর্সিয়েল এভিয়েসনগী মথৌতাবশিং অদুগী মনুংদা এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রিয়েল বেজ অমা লিংখৎনবগী পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকী ভিজন 'প্রোজেক্ট আজম'গী ময়োল অদুনি।

মেদিয়ম–ওলটিচুদ এন্দ লোং–এদ্যুরেন্স (এম এ এল ই) অনমেন এরিয়েল ভেহিকল (য়ু এ ভি) অমা, অনৌবা ম্যুনিসন্স অমসুং এফ জি এফ এ অমা পুথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা পাকিস্টান এয়ার ফোর্সনা ফোর্মেল ওইনা ২০১৭গী জুলাইদা প্রোজেক্ট আজম হৌখিবনি।

প্রোজেক্ট আজম হৌনবগী লাওথোকখিবা মতম অদুদা মতম অদুগী চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ (সি এ এস), এয়ার চীফ মার্সেল (এ সি এম) সোহাইল অমননা এম এ এল ই য়ু এ ভিগী দিজাইন ৱার্ক অদু অরোইবগী তাঙ্ককতা লৈরে হায়খি।

এম এ এল ই য়ু এ ভিগী অহানবা ফ্লাইট অদু ২০১৯ জুনদা পাংথোক্লবা অরোইবা মতম থারি হায়না ২০১৭–২০১৮গী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স প্রদক্সনগী এয়ারবুক অদুনা হায়খি।

অদুবু ফিফট জেনরেসন ফাইটর এয়ারক্রাফকী মতাংদদি পাকিস্টান এয়ার ফোর্সকী চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ এয়ার চীফ মার্সেল মুজারি অনৱার খানগা হন্দক্তা উন্নখিবা অমদা অতোপ্পা চহী ১০ অমা ফাওবগীদি এফ জি এফ এ অদু ওপরেসনেল ওইবা ঙমগনি থাজবা ৱাৎলি হায়খি।

এয়ার ফোর্সনা ত্বিন–ইঞ্জিন সিঙ্গল সিট্টর অমা ওইবা সুপর–ক্রুজ অমসুং লেজর ৱিপনশিংগুম্বা য়াওবা ফিফট জেনরেসন ফাইটর এয়ারক্রাফকী মথৌ তাবা লৈ হায়না এয়ার চীফ মার্সেল অনৱার খাননা হায়খি। অসুন্না এফ জি এফ এ অসি চুন্নগী দিজাইন অমখক নৎতে, মসি মেদিয়ম–টু– হেভিৱেট, হায়–পারফোমেন্স জেট অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। মসিগী দিজাইন কনফিগুরেসন অসিনা তাক্লিবদি পাকিস্টান এয়ার ফোর্সনা হেন্না লুম্বা পেলোদশিং পুবা ঙম্বা অমসুং জে এফ –১৭০গী হেন্না শান্না পাইবা ঙম্বা প্লেটফোর্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনরি তাকপনি। অতোপ্পা ৱাহৈ অমদা মসি ওফেনসিব কাউন্টর–এয়ার (ও সি এ), মেরিটাইম, অমসুং দীপ–ষ্ট্রাইক প্লেটফোর্মশিং ওইহন্নবগী পান্দমদা শন্না হায়রবদা মসি এফ –১৬ এ / বি ব্লোক–১৫শিং অমসুং মিরাজ ২০০০ অনীমকসিগী চপ চাবা মহুৎ শিনবা অমা ওইনবনি।



---

# চয়োল ১দা ৩শুবা ওইনা বি জে পি লূচিংবা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

**শহরানপুর, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশতা চয়োল অমগী মনুংদা ৩শুবা মীহাৎ ওইনা ভারতিয়া জনতা পার্টি বি জে পি লূচিংবা অমা শকখঙদবা মীহাৎপশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।



মফমদুগী সুগর মিল অমগী সেক্টর –ইন– চার্জ অমা ওইনসু থবক তৌবা মশাগী চহী ৪৭ শুরবা বি জে পি কোর্পোরেটর ধারা সিংহবু ঙরাং থাংজ নুমিৎতা সহরানপুরগী দিওবনদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদগী থবক চৎখিবদা রেলৱে ক্রোসিং অমগী মনাক্তা বাইক অমদা লাকখিবা মীওই ২না মহাকপু থৎখি। মীওইশিং অদুনা নোংমৈনা কাপ্পুনা মহাকপু খুদক অদুদা হাৎখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সহরানপুর এস এস পি দিনেস কুমারনা হায়খি, মশক খঙদবা মীহাৎপশিং অদুনা রানখন্দি রেলৱে ক্রোসিং মনাক্তা ধারা সিংহদা নোংমৈনা কাপখি। মদুদা ফিভম থিনা শোক্লবা ধারা সিংহবু কম্যুনিটি হেল্‌থ সেন্টর অমদা পুখৎলকপদা মহাক শিরে হায়না লাওথোকখি।

পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা মীহাৎ অদুগী মরম করিনো খঙবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না হৌজিক লৈখ্রিদবা অদুগী ইমূং–মনূংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নরি, মীহাৎ অদু করি মরমগী ওইবা য়াবগে হায়বদুগী লেপ্লবা হোৎনরি হায়না সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুনা হায়খি।

ওক্টোবর ৮দা দিওবনদা মসিগা মান্নবা মওংদা চৌধরি য়াসপাল সিংহ কৌবা বি জে পি লিদর অদুসু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মদুগী নুমিৎ নীনিগী তুংদা বি জে পিগী অতোপ্পা লূচিংবা কবির টিৱারি কৌবা হান্নগী মহৈরোই লূচিংবা অমসু বষ্টিদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মদুগী থৌদোক্তগী মহৈরোই গ্রুপশিংনা ঈরাং হৌখি অমসুং গভর্ণমেন্ট গাড়ীশিং মৈ থাখি।

বষ্টি এস পি পঙ্কজ কুমার কোন্না ট্রান্সফর তৌখি অমসুং মহাক্কী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি অমা চখখি।

কেসশিং অসি পায়বদা পঙ্কজ কুমারনা খোয়জংদনা হোৎনখি হায়না ইক্কারি অদুগী অহানবা ফাইন্দিংশিংদা উৎলি। দায়ত্ব লৈতনবা থবক তৌবগী মহাক্কী মরান ফংখি।

দি আই জি রেঞ্জ, বষ্টিনা থোকখিবা চেকলিষ্ট অদু মহাক্না নিংথিজনা পাংথোকখিদে হায়না এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) অবনিশ অৱাস্থিনা হায়খি।

---

# চিনানা দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংগীদমক নেপালদা দোল্লর মিল্লিয় ৪৯২গী মতেং পীনবা ৱাশকখ্রে




**কাথমান্দু, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** চিনা অমসুং নেপালগী মরক্তা লৈবাক অনী অসিগী মরী কনখৎহন্নবা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা এগ্রীমেন্ট ২০ সহি তৌনখিবগা লোয়ননা নেপালগী দিভলপমেন্ট প্রোগামশিং তেংবাংনবা মথঙ চহী ২দা চিনানা কাথমান্দুদা নেপালিজ লুপা বিল্লিয় ৫৬ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৪৯২)গী মতেং পীরগনি হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হায়খ্রে।

ইন্দিয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা নুমিৎ নীনিগী ইনফোর্মেল সম্মিট অমগী মতূং ঙরাং থাংজ নুমিৎতা কাথমান্দুদা থুংলখিবা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা চহী ২৩গী মনূংদা চাইনিজ লিদর অমনা লাকপা অহানবা খোঙচৎ অমা ওইনা মাগী নুমিৎ নীনিগী ষ্টেট ভিজিটকী অহানবা নুমিৎতা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নেপালগী মহাক্না ফম্মান্নবা বিদ্যা দেবি ভন্দারিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা চাইনিজ প্রসিদেন্ট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম ওলি উন্নখি অমসুং দিলিগেসন লেভেলগী ৱারী শান্নখি।

ৱারী শান্নখিবশিং অদুগী মতূং নাকন অনীনা ট্রান্সপোর্ট, এগ্রীকলচর, ইন্দষ্ট্রি, কম্মর্স অমসুং সপ্লাইগুম্বা তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিং ১৮ অমসুং লেট্টরস ওফ একচেঞ্জ ২ সহি তৌনখি।

প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওলিগা অনীগী মরক্তা উন্নখিবা অদু নেপাল –চিনা মরীগী হীরম পূন্নমক্তা মীৎয়েঙ থমখি হায়না ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা মফমদুগী মেদিয়াগী পাউনা হায়রি।

নেপালগী প্রসিদেন্ট ভন্দারিগা মহাক্ক উন্নখিবা অদুদা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা দিভলপমেন্ট প্রোগামশিংদা মতেং ওইনবা মথঙ চহী ২দা নেপালদা নেপালিজ রুপি বিল্লিয় ৫৬গী সপোর্ট পীনবা লাওথোকখি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট অসিনা ২০১৫দা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা য়ুহার হাবা অমগী মতুংদগী থিংজিনখিবা কাথমান্দুগা তাতোপানি ট্রান্সিট পোইন্টগা শন্নবা আরনিকো হায়ৱে অদু অপগ্রেদ তৌনবা অমসুং কন্নেক্টিভিটিদা হেন্না নুংঙাইহন্নবা কষ্টমস পোইন্ট মশীং হেন্না হাংদোক্লবসু ৱাশকখি।

ট্রান্স –হিমালয়ান রেলৱেগী ফিজিবিলিটি ষ্টদি অমা থুনমক হৌরগনি অমসুং চিনানা কেরুং–কাথমান্দু টন্নেল রোদ শেম্বদসু চিনানা শৌগৎকনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাকপু ঈকাইখুম্নবা ওইনা প্রসিদেন্ট ভন্দারিনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা শিনখিবা ষ্টেট চাক্লেন থৌরম অমদা মালেমদা ঐখোয়গী তমজনিঙাই ওইবা মরুপ–মপাং ওইবগী মরী লৈ অমসুং লৈবাক অনীসিগী মরক্তা নুঙাইনদবা ৱাথোক অমত্তা লৈতে হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 28/08/19
Valid : 26/08/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 30/09/19
Sl. No. : 2460
Valid : 30/09/19
Sl. No. : 1931
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 05/10/19
Valid : 01/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 01/10/19
Valid : 27/09/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 02/10/19
Valid : 29/09/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Porompat Indane Gas**
Booking : 01/10/19
Valid : 14/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Bashikhong Indane**
Booking : 23/09/19
alid : 31/08/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R & H Gas Service**
Booking : 23/09/19
alid : 11/09/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Athokpam Indane**
Booking : 15/09/19
Valid : 09/09/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

---

# দিল্লিদা ক্রাইমগী চাদা ৮০ ইম্মিগ্রেন্টশিংননি ঃ মনোজ টিৱারি

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** দিল্লি বি জে পি প্রসিদেন্ট মনোজ টিৱারিনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈবক্কী কোনুংদা থোক্লিবা ক্রাইমগী চাদা ৮০ আইন্না য়াদবা ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়খ্রে।

দিল্লিদা নেসনেল রেজিষ্টার ফোর সিটিজন্স (এন আর সি) পাংথোক্লবা মহাক্কী দিমান্দ অদু ক্রাইম অসিদা চেন্নবা অসিগুম্বা আইননা য়াদবা মীতোপশিং অসি মশক খঙনবা অমসুং লৌথোক্লবগীনি হায়না মহাক্না হায়খি।

দিল্লিদা ক্রাইমগী চাদা ৮০রোমদি ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চেন্নে। মরম অসিদগী ঐহাক্না এন আর সি দিমান্দ তৌখিবনি অদুবু ঐহাক্না মদু তৌবা খুদিং মখোয়গী ঙাকথোক্লবা চুংগোই ওইনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হৌগৎলকই হায়না মনোজ টিৱারিনা হায়খি।

হন্দক্তা, দিল্লিদা এন আর সি চৎনহনবগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা করিগুম্বা সিটি অসিদা থবক অদু হৌবা তারবদি খ্বাইদগী অহনবদা তান্থোকদৌরিবা অদু মনোজ টিৱারিনা অহানবনি হায়খি।



প্রাইম মিনিষ্টরগী মচিন–মনাও প্রহলাদ মোদিগী মচানুপী দময়ন্তি বেন মোদিনা থাংজ নুমিৎতা ওক্টোরিক্সো অমদগী কুমথরকপদা মীওই ২না লূপা ৫০,০০০ য়াওবা মহাক্কী মনিবেগ অমসুং মোবাইল ফোন ২ মুনখিদুনা নেসনেল কেপিটেল অসিদা পোৎ লাকপগী ভিক্টিম অমা ওইখি। থৌদোক অদু লেফটন্টেল গভর্ণর অনিল বাইজাল অমসুং চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালগী য়ুমদগী সুপ্নগী কিলোমিটর খর খক লাপ্পা মফমদা পুথোকখিবনি।

মহাক্কী ৱাকৎতা য়ুমফম ওইরগা পুলিসনা ঙসি কেস অমা লৌখৎখ্রে অমসুং মরান লৈবা মীওই অমা ফাখ্রে। হুরানখিবা পোৎ–চৈশিংসু লৌখৎখ্রে।

---

# চিনাবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎরকপশিং শরু–শয়াং তেক্লগা তোক্কনি হায়না প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে

**বৈজিং, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** বৈজিংনা হোং কোংদা থা কয়া শাংলবা প্রোটেষ্টশিংদা পোলিটিকেলগী শীংনবশিং মায়োক্লরিবা অমসুং মুস্লিম মাইনোরিটি গ্রূপশিংদা চত্থরিবা মওংশিংগী মতাংদা য়ু এসকী য়ানীংদবশিং মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা করিগুম্বা চিনাবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপশিং শরু–শয়াং তেক্লগা তোক্কনি হায়না নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টরগা কে পি শর্ম ওলি উন্নবদা ঙসি ৱার্নিং তৌখ্রে। লূচিংবা অনী উন্নখিবা অদুদা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম ওলিনা মখোয়গী লৈবাক্তা এন্টি–চিনা এক্টিভিটিজ খুদিংমক্কী মায়োক্তা লেপকনি হায়না প্রসিদেন্ট জি জিনপিংদা ফোঙদোকখি।



চিনানা লৈঙাকপা হোং কোং সিটিদা হৌজিক চত্থরিবা থা কয়া শুরবা প্রোটেষ্টশিং বৈজিংনা নমথনবা কন্না হোৎনরি। পুলিসনা রবর বুলেটশিং, টিয়ার গ্যাস অমসুং ৱাটর কেননশিং প্রো–দেমোক্রেসি দোমোষ্টেটরশিং অদুদা কাপ্লি।

হোং কোং প্রোটেষ্টশিং অদু নমথনবা চাইনিজ ওথোরিটিজনা হোৎনবদা করিগুম্বা ফৎতবা থোক্লবদি চিনাগা য়ু এসকা নোগোসিয়েট তৌনবদা অরুবা ওইগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি।

অমরোমদা চিনাগী মনুং হঞ্জিনবা নোংচুপ থংবা লমদম জিনজিয়াংদা মুস্লিম ইথনিক মাইনোরিটিশিংগী মথক্তা বৈজিংনা চত্থরিবা মওং অদুগী মতাংদা ৱাসিংটননা হৌখিবা চয়োলদা চাইনিজ কম্পিনি ২৮সু ব্লেকলিষ্ট তৌখিবনি।

---

# ঐখোয়গী রাফেল লৈরম্বা তারবদি ঙমখৈ লান্সিন্দনা পাকিস্টানদা বালাকোট টেরর কেম্পশিং থুগাইবা ঙম্লমগনি ঃ রাজনাথ

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** হন্দক্তা ফ্রান্সতগী লৌগদবা রাফেল ফাইটর জেট ৩৬ অদুগী মনূংদগী অহানবা জেট অদু ফংখ্রবা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা করিগুম্বা বালাকোট এয়ার ষ্ট্রাইক মতম অদুদা ফাইটর এয়ার ক্রাফ অসি লৈরম্বা তারবদি ইন্দিয়াদা ফমদুনা লৈরগা ফাওবা টেরর কেম্পশিং অদু থু গাইবা ঙম্লমগনি হায়খ্রে।

হরিয়ানাগী করনালদা এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেন মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা দিফেন্স মিনিষ্টর হায়খি, করিগুম্বা মতম অদুদা ফ্রান্সনা শাবা জেট ফাইটরশিং অদু লৈরম্বা তারবদি চহী অসিগী ফেব্রুৱারীদা টেরর কেম্পশিং অদুদা নোংথক্তগী এটেক অদু চত্থনবা পাকিস্টানদা চংশিনবগী মথৌ তারম্লোই।



রাফেল জেট খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুগী মতূংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকপদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সতা রাফেল ফাইটর জেটশিং অসি হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী নোংথক্তা তৌবা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎহল্লগনি হায়খি। ঐখোয়গী এয়ার ফোর্সনা মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী চাওবা ৪শুবা এয়ার ফোর্সনি।

রাফেল মেদিয়ম মলটি –রোল কম্বেট এয়ারক্রাফ অসিনা ঐখোয়বু অমুক্কা হেন্না কনখৎহল্লগনি অমসুং রিজন অসিদা পিছ অমসুং সেক্যুরিটি থম্বা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা রাফেল এয়ারক্রাফ ৩৬ লৈনবা ফ্রান্সকা লূপা ক্রোর ৫৯০০০গী দিল অমা সহি তৌনখি। মদুগী অহানবা বেটচ অদু ইন্দিয়াদা মে ২০২০ ফাওবগী মনূংদা পাইরবা য়াই। জেট ৩৬ অদু লোয়নমক ২০২০ ফাওবগী মনূংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সতা হাপচিন্নবগী থৌরাং তৌরি। রাফেল জেট ৭ এপ্রিল নৎত্রগা মেদা ইন্দিয়াদা থুংলরগনি। ফাইটর এয়ার ক্রাফ অসি পূংদা কিলোমিটর ১৮০০ য়াঙনা পাইবা ঙম্মি।

---

## টায়ফুনদা ২৩ শিখ্রে

**টোকিও, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** টোকিওদা ১৯৫৮গী মতুংদগী খ্বাইদগী কনবা নোংলৈ নুংশিৎ টাইফুন হগিবিস কী চৈথেংদা ঙসি ফাওবদা মীওই ২৩ শিখ্রে। মীওই ১১৬ শোকখ্রে অমসুং মীওই ১৬ থিবা খঙদ্রি। গভর্ণমেন্টনা লাম্মী ট্রুপ অমসুং রেস্ক্যু ৱার্কর লিশিং কয়া থাজিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থখ্রে।

---

## টর্কিগী এটেকতা মীচম ১৪ শিখ্র

**বৈরুথ, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** করদিস ফোর্সশিংগী মথক্তা টর্কিনা এটেক চত্থখিবা অৱাং সিরিয়াদা খূৎ থোক্লবদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ামদ্রবদা মীচম ১৪ শিখ্রে। য়ু এস অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লবসু নুমিৎ ৪নি শুরবা টর্কিগী এটেক অসিদা অৱাং সিরিয়াদা শিবগী মশীং ১০০হেনখ্রে

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-269**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | 8 | 7 | | 6 | | |
| 4 | | | 1 | | | 3 | 8 | |
| 9 | 8 | | 3 | | | 4 | | |
| 8 | | 3 | | 4 | | | | 9 |
| | | 4 | 6 | 5 | | 1 | | |
| 6 | | | 9 | | 8 | | | 4 |
| | | | 5 | | | | 4 | 3 |
| | 4 | | | | 9 | 8 | | |
| | 3 | | | | 6 | 9 | | |

**সনা–সুদোকু – ২৬৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 4 | 8 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 2 | 8 | 7 | 4 | 9 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 6 | 9 | 3 | 5 | 1 |
| 9 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 4 | 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 3 | 7 | 8 | 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 9 | 4 | 7 | 5 | 6 | 1 | 3 | 8 |

---

# বিহারদা ২০১৩দা বোম পোকখাইখিবশিংদা চেন্নবনি চিংনবা অথিংবা থমখ্রবা সিমিগী 'কেমিকেল আলি' ফাখ্রে

**রাইপুর, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সি)ঃ** বিহারগী বোধগয়া অমসুং পাত্নাদা বোম পোকখায়খিবশিং অদুগা মরী লৈননা ফাবা পাল্লিবা সিমি ওপরেটিব অঝারুদ্দিন এলাইজ অঝার এলাইজ কেমিকেল আলি সাউদি অরাবিয়াদগী মহাক্না থুংলখ্রবা তুংদা হায়দরাবাদ এয়ার পোর্টতগী ছতিসগড় পুলিসনা ফারে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।



রাইপুরদগী মীওই অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৩২ শুরবা আলিবু বিহার বোম পোকখায়বশিং অদুগা মরী লৈননবা মরান লৈবা মীওই অমনি হায়না লেপখ্রবা তুংদা হৌখিবা চহী ৬ ফাবা পাল্লকখিবনি হায়না রাইপুর সেনিয়ার সুপারিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) অরিফ শৈখনা পাউমীশিংদা হায়খি।

সাউদি অরাবিয়াদগী ফ্লাইট অমদগী কুমথরকখিবা মতুং ইরাই নুমিৎতা ছতিসগড় পুলিস অমসুং মসিগী এন্টি টেরোরিষ্ট স্কৱাদ (এ টি এস) ৱিংগী অপূনবা টিম অমনা হায়দরাবাদদা এয়ারপোর্টতাগী মহাকপু ফাখিবনি।

বোম পোকখায়বশিং অদুদা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিংবু মহাক্না চংজফম পীখি হায়না চিংনরি।

রাইপুর পুলিসনা আইনগী অথিংবা থমখ্রবা ষ্টুদেন্টস ইস্লামিক মুভমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (সিমি)গী ষ্টেটকী কোনুং অসিদা লৈবা মোদুল অমা থুগাইখি অমসুং বোধগয়া অমসুং পাটনা বোম পোকখায়বশিং অদুগা মরী লৈননা সিমি স্লীপর সেলগী মকোক মুমের সিদ্দিক্যুই য়াওনা মীওই ১৭ ফাগৎখ্রবনি হায়না এস এস পি অদুনা হায়খি। ২০১৩ বোধগয়া ব্লাষ্ট কেস অদুদা স্পিসিয়েল এন আই এ কোর্ট অমনা ইন্দিয়ান মুজাহিদিন (আই এম) মিলিটেন্ট ৫ কনভিক্সন পীখি অমসুং মখোয়বু ২০১৮দা এন আই এ কোর্ট অমনা মপূন্সিংচুপ্পগী ফাদোক পীখি।